ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯵, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মার্চ ১৫, ২০১৯, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ৩৪৮শুবা মশীং

মচেৎ তারুরবা এন ঈ দি এ পুনশিল্লকপা

পুংলোনগী মতুংইন্না জগোয় শাবগী থৌওংনি

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদা এলাইয়ন্স শেম্বা লোইখিবগা লোয়ননা ষ্টেট নিপালগী অপূনবা লোক সভা সীট ২৫ গী মনুংদা সীট ২২ ফংনবা পান্দম থল্লি। বি জে পিগী অৱাং নোংপোক থৌরম পুবা জেনরেল সেক্রেটরি রাম মাধবনা লৈবাকপোকপা নুমীৎকী অহিং নোংয়াই মতুং ফাওবা তোঙান তোঙানবা রিজনল পার্টিশিংগা ৱারী শানরবা মতুংদা অসোম গন পরিষদ (এ জি পি), বোড়োলেন্দ পিপলস ফ্রন্ট (বি পি এফ), ইন্দিজিনস পিপলস ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা (আই পি এফ টি), নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি), নেসনেলিষ্ট দেম্মক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টি (এন দি পি সী) অমসুং সিক্কিম ক্রান্টিকারি মোর্চা (এস কে এম)গা খুৎশম্নবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখিবনি। রাম মাধবনা য়ুমশকৈশা নুমীৎতসু অগরতালাদা ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেব অমদি আই পি এফ টিগী লুচিংবশিংগা মখা তানা ৱারী শানখি। ৱারী শানবা লোইরবা মতুংদা রাম মাধবনা ফেসবুক্তা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, বি জে পিনা লুচিংবা এলাইয়ন্সনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদগী য়ামদ্রবদা লোক সভাগী সীট ২২ ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈরে। পান্দম অসি ফংনবগীদমক মহাক্না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিও, অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱাল, মেঘালয়াগী চীফমিনিষ্টর কোনরেদ সংমা, অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দু অমদি নোর্থ ইষ্ট দেম্মক্রেটিক এলাইয়ন্সকী কনভিনর হিমান্তা বিস্বা শর্ম্মগা উনদুনা ৱারী শানখি। দিমাপুর অমদি গুৱাহাতিদা মহাক্না তোঙান তোঙানবা রিজনল পার্টিগী লুচিংবশিংগা ৱারী শানরবা মতুংদা এলাইয়ন্স শেম্বগী ৱাফম য়ানবা পুরকখিবনি, লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা অৱাং-নোংপোক লমদমদগী এন পি পি, এন দি পি পি, এ জি পি অমসুং বি পি এফকা খুৎশম্নদুনা অসাম, নাগালেন্দ, মেঘালয়া, মণিপুর অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা কোংগ্রেসপু মায়থিবা পীনবা শেম-শারে হায়রি। ওপোজিসন পার্টিশিংনা মহাগতবন্ধন (গ্রান্দ এলাইয়ন্স) শেম্নবা ৱারী শানরিঙৈগী চৈরক্তা বি জে পিনা এলাইয়ন্স শেমদুনা অৱাং নোংপোক লমদমদগী য়ামদ্রবদা লোক সভাগী সীট ২২ ফংনবা থৌরাং লৌখৎপা লোইরে হায়না রাম মাধবনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হোংলক্লিবা পোলিটিকেলগী ফীভম অসিদা খন্নবা য়ারিবা ৱাফমদি অসামদা সিটিজন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ কী ৱাহৌদগী ফম থাদোক্লুরবা অসোম গন পরিষদকী মিনিষ্টর অহুম- অতুল বোরা, কেসব মহন্তা অমসুং ফানিভুষন চৌধুরিনা হান্নগী মিনিষ্টর ফমদা অমুক হঞ্জিনখিবগী মতাংদনি। য়ুমশকৈশা নুমীৎকী অয়ুক্তা এ জি পি লেজিসলেচর পার্টিনা ব্রহ্মপুত্রা গেষ্ট হাউসতা অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালগা ৱারী শানরবা মতুংদা অতুল বোরা, কেসব মহন্তা অমসুং ফানিভুষন চৌধুরিনা মিনিষ্টর ফমদা অমুক হঞ্জিনবগী ৱাফম লাউথোরকখি। মিনিষ্টর অহুম্মক সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালগা মোত মান্নরক্তবদগী হৌখিবা জন্যৱারী থাদা ফম থাদোক্তুনা বি জে পিগা অমুক হন্না চৎমিন্নররোই হায়না লাউথোরকখিবনি। বি জে পিগী ওইনদি সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মতাংদা য়াম্না ময়েক শেংবা ফিরেপ অমা লৌদুনা লাক্লি। হন্দক্কী লোক সভা মীখলদা অমুক হন্না মায় পাক্তুনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রবা মতুংদা বিল অসি শোয়দনা পাস তৌনবা হোৎনগনি হায়না পার্টি অসিনা কয়ারক হন্না লাউথোকখি। বাংলাদেশ, অফঘানিষ্টান অমসুং পাকিষ্টানদগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা হিন্দু, সিখ, বুধিষ্ট, পার্সি অমসুং খৃষ্টিয়ন লাইনিং চৎপা মীওইশিং ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহনগনি হায়না অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌদুনা লৈরিবা বি জে পিদা তোঙান তোঙানবা রিজনল পার্টিশিংনা শৌগৎলক্লিবসি মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি। সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা থৌনা ফনা লাউরম্বা অৱাং নোংপোক্কী রিজনল পার্টিশিংনা বি জে পিগা খুৎশম্নখিবসি পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌবনি হায়না লৌনরি। হিরম অসিগী মতাংদা অসাম লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী ওপোজিসন লিদরসু ওইরিবা কোংগ্রেস লুচিংবা দেবব্রতা সাইকিয়ানা হায়খি, সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মতাংদা পাঙথোকখিবা কনভেন্সনদা লৌখিবা ৱারেপকী ওন্ন-তৈনবা মওংদা এ জি পিনা হন্দক বি জে পিগা খুৎশম্নখিবসি মশাগী ওইজবা থিবনি। মণিপুরদসু অদু মঙায়রে, মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌগনি হায়না লাউরম্বা পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা সেন্টর অমদি ষ্টেটতা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগা খুৎশম্নরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরি। অসিগুম্বা মশাগী ফিরেপ লৈজদবা মানবা মওংদা পোলিটিকেল পার্টি খরনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা পোলিটিসিয়নশিংদা মীয়াম্না থল্লম্বা থাজবা পুম্নমক মতম চুপ্পগী ওইনা মাঙহনখিবা য়াই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

কাঙলোন চুম্না মীখল পাঙথোকপা ঙমগদ্রা?

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মীয়াম্না মশাগী মীহুৎ খঞ্জবা য়াবা ফজখ্রবা চৎন-কাঙলোন অসিগী মখাদা কুমজা ১৯৫২দগী হৌনা মীখল পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মদুগী চৎন-কাঙলোন মতুং ইন্না হন্দক লমদমসিদসু এপ্রিল ১১ অমসুং ১৮দা মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না ঈ সী আইনা লাউথোকখ্রে। অদুবু মীখল কাঙলোন চুম্না পাঙথোক্তুনা মীহুৎ খনবা ঙমগদ্রা হায়বা ৱাহং অসিনি। হৌখিবা মীখলশিংদা কাঙলোন চুম্না মীখল পাঙথোকপা ঐখোয়না থেংনদ্রি। মসিমক চীংগা-তমগা য়েংনবদা চীংদনা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা পাঙথোকগুম থেংনৈ। মীয়াম্না খঙবীগদবা অমনা করম্বা মীওই অমদি করম্বা পার্টিদা মীয়ামগী মমল য়াল্লবা ভোট পীরগা ঐখোয়গী ৱাকৎ তাগদগে হায়বা অসিনি। ঐখোয়গী মীরেপ অয়াম্বা পার্টিনা টিকেট পীবদা শেল পায়বা মীওই য়েংলগা টিকেট পীবগী চৎনবী অমা লৈবসু ঐখোয়না থেংনৈ। মদুনা মরম ওইরগা মীরেপকী শেলগী শাহুমদা মীওই অয়াম্বা চৎপগী মমিসু তাই। অমনা পার্টি খুদিংনসু মাগী মাগী পার্টি অদুনা মায় পাক্লবা কন্না হোৎনবগী মমিসু তাই। মদুনা মরম ওইরগা অফবা লৈবাক্কী খনগদবা মীহুৎ খনবা ঙমদে। লমদমসিগী মীয়াম্না ৱাখল তাদবা অমসু য়াওরি মদুদি শেল চাউনা পীবা মীরেপ্তা মায় ওনশিনবা অদুগা শেল পীদবা মীরেপ্পুনা হন্না ফাওবা য়েংবীদবগী চৎনবী অসিনি। মরম অদুনা মীরেপ্তুগী শেল লৌবা, চাথোক-থক্তোকপগী হৈনবী থাদোকপা ঙল্লবদি অফবা মীহুৎ খনবা ঙমগনি। ঐখোয়গী রাইট অসি শেলগা ওন্নবা য়াদ্রবদি মীরেপ্না ঐখোয়গীদমক লূম্না খনফম থোকই। ঐখোয়বু খরা পীজ-পীথক তৌরগা য়াগনি খলহনগুমসি। মীরেপ অমা মায় পাকহনবা মতমদা ঐখোয়গী রাইট চাউনা লৈ হায়বা খঙহনবা চুমগনি। মহাক্না ভোট কাখ্রগা ঐখোয়দা করি কান্নগনি অদুনা মতিক চানা লৌবা য়াবা শেল লৌহৌরগা লোইরে হায়না খনবা মীগী মশীংসু য়াম্না লৈ। মসিমক্তি খ্বাইদগী লানবা ৱাখলনি। লমদমসি চাওখৎপদা ঐগীসু শরুক য়াওরিবনি হায়বসি কাউফদে। অমরোমদা তম্পাক্কী লমনা খরদি ফরি, চীংদদি মীওই অনী-অহুম্না মীয়ামগী ভোট পূন্না থাদবগী পাউসু তাখিবা লৈখ্রে। মসিদা ঈ সী আইনা করি কমদৌনা থিংবা ঙমগনি। মসিসু অরুবা অমনি। মীখলগী অশেংবা মশক পুরকপা ঙম্নবা ঐখোয় শেল লৌবগী হৈনবী থাদোকপা চুমগনি। দেমোক্রেসিগী অচুম্বা চৎন-কাঙলোন্দা মীখল পাঙথোক্লবদি ঈং-তপ্পা লমদম অমা তপ্পা-তপ্পা ওইরক্কনি।

অদোমগী - এম থম্বৌ, ককচীং খুনৌ হিজম লৈকায়

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯১

১। মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নবা পুখ্রি অনীখক লৈ। অমনা মন্ত্রি পুখ্রিনি, অদুগা অমদুনা নিংথেম পুখ্রিনি। মন্ত্রি পুখ্রিদি চহী খুদিংগী শ্রীশ্রী বিজয় গোবিন্দ লেঙথদুনা হোঙখিবা নুমিৎ, পোইনুগী মঙানি পানবা নুমিত্তা কুম্মৈ তৌরম্মী।
(ক) মন্ত্রি পুখ্রি হোঙখিবা চহীদু কয়াদনো?
(খ) পুখ্রি অসিবু হোঙখিবা নিংথৌ মচাদু কনানো?

২। "অহাংবসিগা লোইনবা পুন্সিসি-শিদ্রিবা ফাওবা লেনগনি-ঐ চৎলে।" পরেংসি অরাম্বম সমরেন্দ্রগী দ্রামা অমগী অরোইবা পরেংনি। দ্রামাদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "নঙসু লাল্লে, ঐসু লাল্লে/উরিবসি মীনম্বা ওইরম্লে/মঙালদুমক মীনম্বনি থাজগী/অমম্বা অদুনি অশেংবা মশক্তি।" পরেংশিংসিনা 'থাজগী অমম্বা নাকল' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। "খল্লু খল্লুরগা মশাবু তুক্কচবা পোক্লকই/হেরা ঐনবো/হেরা মাঙুম্বনসু ঐখোয়নবু।" পরেংশিং অসিনা 'শেন্দোল শিংবা' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবী অদু কনানো?

৫। "ঐগী নুংশি লম্বীদা/মাবু অমুক উররোই/মরক মরক মঙলান্দা/লাকপা নত্তনা লাক্লরোই।" পরেংশিং অসিনা মীয়াম্না পাম্নবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

পাকিষ্টান শেল পায়দ্রে লান তৌবা ঙম্বগী ফিভমদা লৈতে

অওনবা মালেম

সৌবাম তোম্বা লুৱাং

লান তৌবদা শেল লৈতনা তৌবা য়াব্রা? লানদবু শেলগী করি মতৌ তাবগে? লান তৌবা হায়বসিদদি নোংমৈ অদুসু য়াম্না থুনা খপ্পগা কাপ্পা য়াবা, বোম, তোপ, মিসাইল ফাইটর জেট, ন্যুক্লিয়ার মিসাইল কাপথোক্লবা অসিনি। লান তৌনবা হায়বসিদি য়েক্লবগী লান্মীশিং হাৎপা, অঙম-অঙম হাৎনবা, লম খুদুম চনশিনবা, য়েক্লবা লমদুগী নুপী-অঙাংশিং ওৎনৈবা অসিনচিংবনি তৌনরিবসি। অদুনদি লান তৌবা হায়বসিদা শেল চবুন-চবুন পায়রগা লানফমদা লান চঙলুবা য়াবরা? শেল চবুন-চবুন পায়রগা লুহোংবগী শোরাৎকী ঈশৈ শকপা পালাদা শেল থাবদৌনা শেল চাইরুবা য়াবা নত্তে, য়েক্লবগী লান্মীশিং হাৎলুবা ঙমগদবসু নত্তে। নোংমৈ, বোম, তোপ্পা কাপ্লবদি লায়রবসু, ইনাকখুনবসু লোয়নমক শিগনি। লায়রবনা নোংমৈ কাপ্লক্লবদি শেল মপুন-মপুন পায়বা শেঞ্জাও পায়বশিংসু লোয়না শিগনি। অদুনদি লৈবাক অনী লান তৌনবদা শেলনা হেন্না মথৌ তারবা নৎত্রগা নোংমৈ, বোম, তোপ, জেৎ, ন্যুক্লিয়র মিসাইলনা হেন্না মথৌ তাবরা? লম কয়াদা খঙ-হৈরবা মীওই কয়া য়াওনা লৈবাকসিগী মীয়াম্না খন্ন-নৈনরিবা ৱাফমসিনি।

লানগী ৱা ঙাংলম্বা পাকিষ্টান ইন্দিয়ানা ৱারী শানসি হায়বগী ৱাফম প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান্না ফোঙদোকখ্রে। মদু পুলৱামা টেরর এটেক্তা সী আর পি এফ ৪০গী পুন্সি লোমখিবা অমদি কয়া অমা শোকখিবদগী লৈবাক অনী য়াম্না উংখৎনরক্তুনা অমনা অমদা লান্দাদুনা খুদোংচাবা লৌনহৌনবগী য়াম্না কন্না উংখৎনরিঙৈ মতমদুদনি। উংখৎনবা মরক্তুদা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান, মিনিষ্টরশিং, লুচিংবশিং, লান্মীগী মকোকশিংনা ইন্দিয়াদা লান তৌনবগী ফিভম, পাঙ্গল মতম অমদা হেক্তা শীজিন্নরকপগী ৱা য়াম্না চাউনা চাউনা ঙাংদুনা লৈখি। লৈবাক অনীগী বোর্দরদা লানগী ফাইটর জেটশিং শেম-শাদুনা লৈনখি। শম্না হায়বদা লান তৌবগী ৱা য়াম্না ঙাংখিবসি ইন্দিয়াদগী পাকিষ্টান্না য়াম্না হেনখি। ইন্দিয়াদি পাকিষ্টানদা লান্দাবগী ৱা ঙাংখিদে। হায়দুনতা লৈবা ৱা হায়ববু পাকিষ্টানদা লান্দাবা লৈতে তৌবতবু টেরোরিষ্টশিংগী লৈফমদা লান্দাবখক্তনি। অদুনবু পাকিষ্টান ওকুপাইদ কাশ্মিরদা লৈবা বলাকোৎ হায়বা মফমদুদা হাংদুনা লৈবা জৈস-ঈ-মহমদ টেরোরিষ্ট গ্রুপকী ট্রেনিং কেম্প থুগায়খিবা অদুনি। লান্দাবা অদু পাকিষ্টান লান্মীদা তৌখিবা নত্তে। পাকিষ্টানগী লম মনুংদা চঙশিল্লক্তুনা টেররিষ্ট কেম্প থুগায়রবসু মদু লৈবাক অমগী মনুংদা চঙশিল্লকপনা ইন্দিয়াদা খূৎ থারকপা য়াই হায়বদুনি লান তৌগনি হায়বগী ৱা পাকিষ্টান্না ফোঙদোরকপসি। মদু লানগী মতমদা তৌদুনা মথায়-থায়নদগী তৌনরকপা লানগী প্রোপেগন্দা (ৱার প্রোপেগন্দা) হায়বদুরা? মদুনি হায়না লৌবসু য়াদবা নত্তে। লান তৌনীংদ্রবসু নৎত্রগা লান তৌনবগী মপাঙ্গল লৈত্রবসু য়েক্লবা লৈবাক্না উশিংখিরোই হায়বগী মওংদা ৱাজাউ ঙাঙদুনা মপাঙ্গল কনবা, মথৌনা লৈবা শাবা ওইরম্বসু য়াই। মসি মালেমগী লৈবাক কয়ানা থায়না লানগী মতমদা তৌদুনা লাকপা ৱার প্রোপেগন্দা অমনি হন্দক পাকিষ্টান্না ইন্দিয়াগী মায়োক্তা তৌখিবদু মসিগী মরম কয়ামুক লৈরি। পাকিষ্টানগী মীয়ামগা ইন্দিয়াগী মীয়ামগা ৱাখল, মীৎয়েং, পুন্সি মহিং য়াম্না মান্নদে। শম্না হায়রবদা হুইগা হৌদোংগনি, নুংশিনদে, নুংশিনৌ হায়রবসু য়াগদবা লৈত্রে। মসি লৈবাক অনীগী পুৱারীনা ময়েক শেংনা তাক্লবনি। মসিগী ফীভম অসিদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টান্দগী লাকচনা তৌখ্রে হায়না উবদা/তাবদা পাকিষ্টানগী মীয়াম্না লৈরিবা পাকিষ্টানগী গভর্ণমেন্ট অদুদা পেন্দবগী খোল্লাউ, ঈহৌনা পুমনিল নিলগনি অশোনবা, য়েক্লবা থেংনবা ঙমদবা, পাকিষ্টানগী ঈজৎ য়োম্হোকপনি হায়রক্কনি। মদুনা মরম ওইরগা গভর্ণমেন্ট অদু ইন্থুখিনি। ইন্থুখিবতা নত্তনা গভর্ণমেন্ট অদুদা য়াওরম্বা লুচিংবশিং অদু মীয়াম্না ঙাকপীরোই। অমরোমদা সিভিল ৱার থোক্লককপসু য়ারিবনি। পূম্নমকসিগী মথক্তা য়াম্না মরু ওইরিবদি পাকিষ্টান লান্মীনা গভর্ণমেন্ট অদু মুখৎলগা মখোয়না ওইনা কু তৌদুনা লৈঙাকখিবা য়াই। মতমদুদদি লান্মীনা খুদোংচাবা কয়া লৌরক্লবগী তাঞ্জা লাক্কনি হায়বদি মীয়াম্না খঞ্জবা দেমোক্রেটিক ওইবা গভর্ণমেন্ট অদুনা শোন্থবা মানবা য়েক্লবা লৈবাক্কা লম্বা পাবা ঙল্লোইদবা মানবা মওংদা লাক্লবদি। পূম্নমকসি য়েংলগা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা মশাগী মীয়াম অমদি কু তৌগনবা মশাগী আর্মিবু পেলহন্নবা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা ৱাজাও ঙাঙদুনা ৱার প্রোপেগন্দা তৌবনি। অদুবু ইন্দিয়াগা নৎত্রগা লৈবাক অমগা লান তৌনবদা মাঙজগদবা, নংগদবা অৱাবা কয়াদু মহাক খঙদবদি নত্তে।

ইমরান খান, মহাক্কী গভর্ণমেন্ট, লুচিংবা কয়া অমদি আর্মিশিং লান তৌবা পাম্বা নত্তে অমদি লান তৌবসু কিদবা নত্তে। অমরোমদা পাকিষ্টানগী মীয়ামদি লানগী ওইবা নুংগী ওইবা কাঙলোন কয়াদু খঙদবনিনা ইন্দিয়াদা পরা অমা তম্বীনবা হায়দুনা লান য়াম্না তৌহন্নিংলমগনি। লান তৌরবদি মীয়ামদি পেনসু পেনগনি। অদুবু লান হৌরবা অমদি লান মতুংদা থোক্লক্কদবা অৱাবা কয়া অদুবুদি মীয়ামদি খন্থরুবা নত্তে। মতাং অসিদনি ইন্দিয়ানা হেজিল্লক্লবদি লান তৌগনি হায়না পাকিষ্টান্না লাউরিবসি ৱার প্রেপেগন্দনি হায়রিবসি।

হৌজিক্তি খন্থবা য়ারে শেল পায়দ্রবদি লান তৌবা য়াবা নত্তে হায়বসি। মদুনি পাকিষ্টানগী গভর্নমেন্টনা খঙবা, প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান্না খঙবা, মিনিষ্টর কয়ানা খংবা অমদি লান্মী মকোকশিংনা খঙম্বা ঙম্বসি। ইন্দিয়াগা লান তৌনবদি তোকপু তোকখিসি, পাকিষ্টান্না অতৈ লৈবাক অমগা হেক্তা লান তৌনবা শেল মতিক চানা লৈরবরা? মসিগী ৱাহংসিনি লৈঙাক্লোল, শেন্মীৎলোনদা য়াম্না মরু ওইবসি। শেলখক্তা নত্তে পাকিষ্টানগী পুকৈদা চানবা চীঞ্জাক মতিক চানা পৈদুনা লৈরবরা? অনা লায়েংগী দাক্তর, পেরামেদিকেল, হীদাক-লাংথক মতিক চানা পৈদুনা লৈরবরা? মসিদসু নত্তে পেট্রোল, দিজল থা কয়া শীজিন্ননবা পৈদুনা লৈরবরা? মদু লৈতনদি ফনা মথৌনা লৈ হায়দুনসু লান তৌবা ঙম্বগী থৌনা লৈরোই। লান অমা তৌবা হায়বসে লান্মীনা নোংমৈ পায়রগা পংকাপ্তা কাপ্নবা য়াবা নত্তে। চাদ্রসি থক্তুদি মশা শোন্থরক্তুনা নোংমৈ কাপ্তুনা য়েক্লবগী লান্মী হাৎলুবদি লারদুনা মশাগী নোংমৈদু ফাওবা পায়খৎপা ফাওবা ঙল্লোই। হংলকপা য়াই চাক্তি বট্টালিয়ন্দা লৈরসু চারিদুনি হায়দুনা। অদুবু খেন্নবদি লান মনুংদদি চাক থোংবশিং লান্দা নোংমৈ কাপ্নরিবা লান্মীশিংগী মতুং ইন্নবা তাবনি। লানফম নক্লা চাক থোংবা তাবনি। চেঙ-চাক লোয়নমক লানফমদা পুদুনা চৎপা তাবনি। ময়ামদু পুবা হায়রিসি ত্রেন্না নৎত্রগা গাড়িনা পুবা তাবনি। মদু শেল য়াওদনা য়াগদ্রা? মদুদা চঙগদবা থাউ অমদি অতৈ কয়াদু। লানফমদা লান চঙবা হায়বসি নোংমৈ কাপ্নরিবা লান্মী অদুখক্তা নত্তে হায়বসি মসিদগী খঙবা য়ারে। লান্মীগী লৈজরিবা গাড়িখক্তুনা শীজিন্নবা কোন্নবা নত্তে। লন্নাই মীওইশিংগী গাড়িসু লৌদুনা লানগী থবক্তা শীজিন্নরিবনি। অদু ওইরবদি লানগী মতমদা লন্নাই মীওই কয়াগী অমদি লৈবাক্কী ওইবা থবক কয়া চপ লেপ্পা তাবনি।

লান্মীগী বট্টালিয়ন্দা লৈবা দাক্তরশিং, হীদাকশিংদু লানফমদা পুদুনা চৎপা তাবনি। পুলৱামা থৌদোক্কী মতাংদা উংখৎনদুনা লানগী প্রোপেগন্দা তৌরম্বদগী পাকিষ্টান্না ৱারী শান্নবরোমদা ওনশিল্লক্লিবসি অসিগুম্ব মরম ময়াম অমা লৈবননি। অতৈ মরম ময়াম অমসু লৈতবদি নত্তে। অমরোমদা ইন্দিয়াগা লান শোক্লরবদি পাক্লা লোয়গদবা নত্তে করিগুম্বা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় শীজিন্নদ্রবদি। ন্যুক্তিয়র খুৎলায় হেক্তা শীজিন্নবা য়াবসু নত্তে। করিগুম্বা শীজিন্নরবদি পাকিষ্টানদি চাউনা মাঙজগদৌরিবনি। ইন্দিয়াসু শেল মরাং কায়বা লৈবাক্তি নত্তে। অদুবু ইন্দিয়ানদি হেন্না শেল-থুম, পোৎথোক-চাথোক লৈবা মরম অদুনা মাঙজগদবসি পাকিষ্টানখক্তনি। মরুপ মপাং য়াম্না লৈবা হায়বসিসু মতেং য়াম্না ফংই লানগী মতমদা। লৈবাক অনীসি মরুপ মপাং য়াম্না লৈবগী চাং য়েংনবদা ইন্দিয়ানা হেল্লি। পুম্নমকসি য়েলুবদা পাকিষ্টানগী ওইনদি লান তৌনদনা ৱারী শানসি হায়রিবসি অচুম্বা খোঙথাং অমনি। অদুবু ৱারী শানবনদি ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লোই। অদুনবু ইন্দিয়ানা ৱারী শানবগী ৱাফমদু কান্নবা নত্তে হায়দুনা লৌদ্রে। ফাইটর জেটশিং, তেঙ্ক, তোপ, জহাজ, সবমেরিনশিং থৌরকপদা চঙগদবা শেল, থাউ মতিক চাদবা য়াবা নত্তে। লান হৌজিল্লুরগা পুম্নমকসি লৈত্রবদি করি ওইবা য়াই লান মনুংদা মায়থিবা তাবনি। মদু পাকিষ্টানগী হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা ওইরি। পাকিষ্টানগী শেল-থুমগী ফিভম য়াম্না ফত্তে। চরা হেন্দে হায়বদনি। শেল পুননবা হোৎনরি। পোৎথোক চাথোক্কী চাং য়াম্না ৱাৎলি। অহেনবা পোৎ-চৈ লৈদুনা থম্বা ঙমদ্রি। লান তৌদবা মতমদা ফাওবা চানবা চীঞ্জাক্কী অৱাৎপা লৈরিঙৈসিদা লান তৌরবদি পাকিষ্টান য়াম্না ৱাবা তাবনি। মীয়াম্না শীজিন্নগদবা পোৎ-চৈ পুম্নমক্কী অৱাৎপা লৈরকপা তাবনি। মীচম শিরকপা তাবনি। ন্যুক্লিয়ার মিসইল পায়রে হায়বনা য়াবা থবক নত্তে। মদুনা লান ঙমগদবা নত্তে। পাকিষ্টান্না ইন্দিয়াদা ন্যুক্লিয়ার বোম থাদরে হায়না লৌরবদা ইন্দিয়া তঙ্খায় অমা উৎ ওনখিবা য়াই। অদুবু ইন্দিয়ানা ন্যুক্লিয়ার বোম অরৈবমখে থাদরবদি পাকিষ্টান হায়বা টেরোরিষ্ট য়োকখৎপা লৈবাক অমা মালেমসিদা লৈরম্মী হায়বফাওবা তুংগী হৌরক্কদবা মীরোলনা খঙবা ঙমদবসু য়াই। লান শোক্লবা হায়বসিদি লমহাং-তুমহাং, চীংনুং-মান্নুংদা শোক্লবা তাবনা য়েক্লবগী নোংমৈনা পাল্লবা লান্মীশিং দাক্তরনা লায়েংনবা লান্মীগী মতুং ইন্নবা তাবনি। দাক্তরদি লানফমদা পুবা হায়বসি গাড়িনা পুবা তাবনি। গাড়ি থৌরবদি অহেনবা থাউ চৎপা তাবনি। মীচম মীয়াম্না শীজিন্নগদবা থাউদু লানগীদা শীজিন্নখ্রবদি লৈবাক্কী থবক্তি চপ লেপ্পা তাবনি।⏮

য়াওশঙ কুম্মৈ লাকপসিনা থোইনা হেন্না লুশিনহল্লক্লে

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

"*হরিবোল* য়াওশঙ মৈ থারে, হরি বোল্লা হে-হরি, কুমসিগী য়াওশঙ হৌরে" - লৈকায়গী নুপী-অঙাং, অহল-লমন, নহারোলশিং খিবিক্লা, লৈকায়গী লম্পাক্তা থোক্তুনা চরুনা কুপ্পা (ঈ-লৈনদ্রবনিনা) শঙ মচা অমা শারগা য়াওশঙ হায়না মিঙ্গৌদুনা চহী অমগী মনুংদা লমতা থাগী থানিল নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম, নুমিৎ হেক তাশিল্লকপদা মৈ থাদোক্কনি। থৌদৌদুবু য়াওশঙ মৈ থাবা হায়না কৌনগনি। শঙলেন মচাদুবু করিগী য়াওশঙ হায়না মিঙ্গৌনরিবনো হায়বসি ঙসি ফাওবগী মনুংদা ঐখোয় কনামতনা হায়বা ঙম্নদবগুম তৌরি। করিগী য়াওশঙ কৌরিবনো হায়বসি অরুবা ৱাহং অমনি। পাউখুম পীফম খঙদবা ৱাহংশিংদি মহৌশানা অরুবা ৱাহংশিং কৌনৈ। মৈ থাবা হেক লোইবগা লৈকায়গী অপিকপা নুপীমচা-নুপামচা কয়ামরুম্না য়াওশঙ হৌরবনি হায়দুনা য়ূমথোঙ খুদিং চবুন-চবুন চঙদুনা নাকাথেঙগনি। নাকথেংবা হায়বসি শেল খায়বনি। য়াওশঙদা মৈতৈশিংনা মহৌশানা মীগী ময়ূমদা চঙদুনা শেল খায়বা নৎত্রগা লম্বী-লমজাউদা লাকপা মীওই (মরুওইনা নুপা) শিংদগী শেল মুনবা চৎনৈ। থৌদৌসি য়াওশঙ মনুংদদি কনামতনা হঙ্গোয়নদে। অদুবু মালেমগী অপূনবা মীওই কাঙলূপশিংগী মনুংদা চহী অমগী মনুংদা খ্বাইদগী কুম্মৈ মশীং হেন্না পাঙথোক্লিবা মৈতৈ কাঙলূপনা, অতৈ কুম্মৈশিংদদি তৌদ্রগা শুপ্নগী য়াওশঙ কুম্মৈসি খক্তদা, করিগীদমক মীগী ময়ূমদা চঙদুনা শেল খায়বা নৎত্রগা লম্বীদা লাকপা মীওইশিংদগী শেল মুনবগী চৎনবীসি লৈরল্লিবনো? থৌদৌসিগী ৱান্থোকসু ঐখোয় হৌজিক ফাওবদা খঙনদবগুম তৌরি। মৈতৈশিংনা চহী অমগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না কুম্মৈ অমা ওইনা পাঙথোক্লিবা য়াওশঙ কুম্মৈসি তশেংনা খঞ্জিল্লুরবদি অঙকপা কুম্মৈ মখল অমনি হায়বসি তশেংনা চুমগনি।

মৈতৈশিংগী য়াওশঙ কুম্মৈসি ইশেং-শেংনা, য়ানশিন-কাঙলোন্দা চত্থরকপা মৈতৈশিংগী কুম্মৈ মখল অমরা হায়বসি চিংনদবা ঙমদ্রি। চহী খুদিংগী য়াওশঙ য়াওরকপনা, য়াওশঙ মশীং থিঙল্লকত্রবা, মশাগী চহী মশীং য়াল্লক্লবা অহল-লমনশিং কয়ামরুমসু, য়াওশঙগী অরেপ্পা ৱাহন্থোক খঙবা-খঙদবদি খঙদে, য়াওশঙগী মিংদা মথম্মোয়নুংদা নুংঙাইবগী ঈথক-ঈপোম অমদি অদুমক কারি। মখোয়দসুনি, হংদ-হংজিল্লুরবদি য়াওশঙগী চপ চাবা অশেংবা হৌরকফমসি ময়েক শেংনা অমত্তা খঙলমদে। হৌরকফম অমদি ৱাহন্থোক অসুক লুবা কুম্মৈসিবু মৈতৈশিংনা মতৌ করম্না, মৈতৈশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ ওইনা পাঙথোক্লরল্লিবনো? ৱাহংসিগী পাউখুম করম্না পীগনি? মৈতৈশিংগী ঔগ্রী-হঙ্গেন চোংবা, য়েলহৌঙৈদগী হৌনা লৈরক্লবা মৈতৈ ফুরুপকী য়েলহৌ ৱারীগা শাগোন্নবা কুম্মৈ মখল অমনি। অরিবা মতমদনা ঔগ্রী হঙ্গেন চোংবা, অনৌবা মতমদনা থাবল চোংবা, মৈতৈশিংগী ওন্থরকপা কুম্মৈগী মশক অমনি। লাইনীংথৌ সনামহী অমদি ইবুধৌ পাখঙবা অনীবু মৈতৈশিংনা মথংশিৎনা, য়ুমগী অমদি লমগী অথোয়বা লাইরেম্বীশিং ওইনা লাৎনরি। লাইরেম্বা মচিন-মনাও অনীগী হাকথক্তা থোকখিবা থৌদোক অমগী কাউফদ্রবা ৱারী পরিংবু নিংশিংদুনা মৈতৈশিংনা ঙসি ফাওবদা য়াওশঙ কুম্মৈ পাঙথোক্লরিরা? মমাঙঙৈ ঙল্লিঙৈগী মতমদদি কুম্মৈসি মৈ থান্দনা নুমিদাংদা, লমতা থাগী থাবলগী মঙালদা পাঙথোক্লরম্বনি। থৌদৌসিমক্লসু মৈতৈশিংনা খজিক্তং থেংথরকপা মতম অদুৱাইদগী হৌনা, থাবল নৎত্রগা থাবল চোংবা হায়দুনা কুম্মৈ মখলসিগী মমিংবু থৈথদুনা কৌনরকখিবনি। অদুবু, মৈতৈশিংগী শুপ্নদগী ঔগ্রী হঙ্গেন চোংবা হায়বা কুম্মৈসিদগী ওন্থরকপা থাবল চোংবা হায়বা কুম্মৈসি খক্তনদি মৈতৈশিংনা হৌজিক পাঙথোক্লরিবা য়াওশঙ কুম্মৈসিগী মপূং ফাবা মওংদি নৎত্রি। মথেল ওইনা মৈতৈশিংনা য়াওশঙ কুম্মৈদা অতোপ্পা কুম্মৈ মথেল কয়ামুক অমসু হাপচিল্লি। অদুবু, অয়াম্বনা লেমহৌরিবা য়াওশঙ কুম্মৈগী মথেলশিংসিদি মণিপুরগী মৈতৈশিংনা হিন্দু লাইনীং লৌরবা মতুংদা খক্তা, হিন্দু লাইনীং লাইশোনশিংগা মরী লৈননা হাপচিনখিবা ঙাক্তা ওইনা তৌই। পূম্নমকসি নত্তবা হন্দক্তা, শুপ্নগী ঙরাং-ঙসিগুম, তেল্লবা মতমসিগী মনুংদসু মৈতৈশিংনা য়াওশঙ কুম্মৈগী মীংদা ঈথক-ঈরাংদা য়ূম্ফম ওইদুনা, কুম্মৈসিদা চত্থহন্নীংদবা অতোপ্পা থৌদৌশিং নৎত্রগা আইটেমশিং কয়ামরুম য়াওশিল্লকপদগী কন্নবা অমসুং ফুরুপসিগী ওইনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংসিবু ঈথক-ঈরাংগী মহুত্তা, শান্ন-খোৎনবা অমদি মশা-মউ ফহন্নবগী লম্বীরোমদা ওইনা চংশিল্লক্লবা হোৎনরকপনি। অদুম ওইনমক, মৈতৈ ফুরুপ্না য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈননা নুমিদাংগী মতমদা পাঙথোক্লিবা নহারোলশিংগী থৌরম ওইরিবা থাবল চোংবগী আইটেমসিমদি মতম লৈবা খিবিক্তা খক মুখৎপা ঙমগনি হায়বা থাজদে। মরমদি, থৌরমসিদি হৌজিক-হৌজিকমকসু কলচরগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অমনি হায়নসু অদুমক লৌনরি। পূম্নমকসি নৈনরুরগা মৈতৈশিংনা পাঙথোক্লিবা য়াওশঙ কুমৈমসি তশেং-তশেংনা অরায়বা কুম্মৈ মখল অমনি হায়বসি খক হায়বা য়াগদবা মান্দে।

মণিপুরদা য়াওশঙ হায়বা কুম্মৈসি লমদমসিদা লৈরিবা মৈতৈ পূম্নমকসিগী চহী অমগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না চাউবা কুম্মৈ অমনি হায়বসি মণিপুরগী মীয়াম পূম্নমক্না য়ানদুনা লাক্লবা ৱাফম অমনি। অদুবু লুরিবদি, কুম্মৈসি মৈতৈশিংগী অশেংবা য়েলহৌ পরিংদা য়ূম্ফম ওইরগা পাঙথোকপা কুম্মৈ অমা ওইরিব্রা নৎত্রগা হিন্দু লাইনীং-লাইশোনগা তোৎশিন-য়ানশিন্নদুনা পুথোক্লককপা ইতোপ-তোপ্পা কুম্মৈ মখল অমরা হায়বসি কনামতনা ময়েক শেংনা হায়বা ঙম্নদ্রি। মথক্ত পনখ্রে, মতমসিদা উরিবা য়াওশঙ কুম্মৈসি মৈতৈশিংগী য়েলহৌ-ৱারী ওইরিবা মালেম নোঙ্খোঙ কোয়ঙৈগী ঔগ্রী হঙ্গেন চোংবগী ৱারীগসু শমজিন্নে। অমরোমদসু, হিন্দুশিংগী হোলি ফেষ্টিবেলগী শরুক অমা ওইরিবা হোলি পালা অমদি হোলিকা, প্রহ্লাদ অনীগী মৈগী চাংয়েংদুগসু ইতোৎ-তোৎশিন্নবগুম তৌরি। তৌবদি কুম্মৈসি মৈতৈশিংনা হিন্দু লাইনীং লৌখিবা মতুংদগী তোৎশিন্নখিবা শোয়দনা ওইগনি। সিখক্তসু নত্তনা, অতৈ হীরম কয়ামুক্তসু লাইনীং লম্বী অনীসি তোৎশিন-য়ানশিন্নবগী মমিদি মফম পূম্নমক্তা চাউনা অদুম্মক তারি। হায়নীংলিবসি পুৱারী হায়বসিদি পুৱারীনি, হৌখ্রবশিংগী রেকোর্দনি, লেংদনা অদুমক লৈরগদবনি। কনামত্তনা পুৱারীগী লামায়বু ঙসিতা নৌহৌনা ওন্থোক-ওনশিন তৌরুবা খক ঙল্লোই। অদুম ওইনমক হৌজিক্তা, তোৎশিন-য়ানশিন্নদুনা লৈরম্লবা তুংগী পুৱারীগী মচাকশিংসু ওইহৌগদৌরিবা, হৌজিক-হৌজিকমক ঐখোয়না থেংনরিবা হীরমশিং খরসিদদি খজিক্তুংদা ওইরবসু, লৈখায় অমমম তাথোক্লবা, ঐখোয় হোৎনমিন্নবা চুমগদ্রা খল্লি। নত্তদুনা ফীভমশিংসি লুই হায়দুনা কনানা কনাগী হায়বদু মশক অমা ফাওবা খায়দোক্লবা তৌদনা তোৎশিন্নদুনা অসুম্মক থম্বীরম্বসিনদি হয়েং তুংদসু শোয়দনা ঙসিগী সিগুম্না অমুক অশেংবা মচৎ হায়বদু মশক খঙবা শুকঙম ঙল্লরোই। খুন্নাইসিগী হীরম খুদিংমক্তা তোৎশিন্নবশিংতনা পীক থন্দুনা লৈহৌরগনি। অসুম্না তোৎশিন-য়ানশিন্নদুনা অশেংবা ফুরুপ মশক খঙদনা অমসুং ফুরুপ্তুগী অশেংবা চৎন-লোনচৎশিং মচেৎ অমা ফাওবসু ময়েক শেংনা উবা ফংদনা ঙসিগী মালেমসিদা খুন্নাইসিনা হিংহৌগদবা হায়বসিসু অকিবগী মশক ফংলবা অরানবা থৌদৌ অমা নত্তবরা? তুংগী মীরোলশিং পূম্নমক মনীং তম্না হিংবা পুন্সি মহিং অমগী মহাউ হায়বদু কৈদৌঙৈদা খক মশক খঙবা ঙমদনা লেনহৌগনি। শুপ্নগী য়াওশঙ কুম্মৈ সিখক্তনসু অসি য়ৌনা লুরবা খুন্নাইসিগী মচৎসিবু তশেংনা লুই হায়দনীংঙাইগী মরমশিং লৈরমগদ্রা? য়াওশঙ কুম্মৈগুম হৌরকফম লৈতনা, লোইশিনফম খঙদনা, মৈতৈশিংনা ঈপাক-ঈয়াইদা ইরাক্লরবা মীশক অমগুম, অউ-অউবদা কোনশিন্দুনা হিংবা পুন্সি মহিং অমগী ফীভমদদি খক মখা তানা হিংহন্নীংদে। অরুবা খুদিংমক খঙদ্রিঙৈদা লুরম্বা ঙাক্তনি, অদুবু খঙলবা মতুংদদি পূম্নমক্তু অমুক হন্না লুহনবগী মথৌ তাদে। ঐখোয়, ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা অশেংবা শক্তম মশক খঙবা ঙমদদুনা লৈরিবা তঙাইফদবা খরসিদি অমুক্তং, পূন্না খঙদোকমিন্ননবা হোৎনমিন্নবা চুম্ব্রা খল্লি।

মীনাইশিংগী মরক্তা মপূনা চানবা মীনাইশিংনা চাউবা হায়বসি হায়নীংঙাই লৈতনা চাউই। মখোয়না চাউরিঙৈদা নোংমতসু ইরমদমসিগীদমক, লৈপাকসিদা লৈরিবা চনৈনবা কয়ামরুমসি খজিক্তুংদা ওইরসু চুমথোক্লবা হোৎনবীরমগে হায়বগী ৱাখল্লোনদি মখোয়গী মশাদা পকপা উদে। মতম লৈবা খিবিক্তা মশাগী তোংজমন খরগীদমক মীরমদম মচাশিংগী মফমদা হঞ্জিন-হঞ্জিন মকোক নোনবদা হঙ্গোইবা পোক্ত্রবা মখোয়না নোংমতসু ইরমদমসিগীদমক্তি মীংচৎ-উরোং খিল্লক্লবা মচা-মনাওশিং কয়ামরুমগী মফমদা ফাওবা, নুংঙাই নৎত্রগা হরাউই হায়বা ৱাফমসি ফাওবা হেক ফোঙদোকপা থেংনদে। মশাতনা মরোমদোম চাউজদুনা লৈবা, মথন্তগী ৱাখলনা পংৱাংদা ৱাংজবা মীশকশিং কয়ামরুম্না লমদমসিদা মখল মথেলগী লুচিংবশিং ওইদুনসু কৈদৌঙৈদা খক, ফুরুপসিগী অমদি খুন্নাইসিগী মরমদদি অচুম্বা অমসুং অশেংবা শক্তমশিং মীমাঙদা পুথোকপীনবা হোৎননীংবগী মমি খক তাবা উদে। চুমদা-চুমথোকমিন্নরবদি মখোয়গী ৱাখল্লোনশিংসিসু য়াওনা চুমথোকমীন্নহৌবা ফৈ।⏮